**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-09-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৩-০৯-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) থৌবাল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা বি.এস.সি নর্সিং কোলেজ হাংনবা রাজ্য সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

জেনিমসকী এম.বি.বি.এস অমদি বি.দি.এসকী অন্দর গ্রেজ্যুএট ইন্তর্ণ তৌরিবা মহৈরোইশিংগী থাগী স্তাইপেন্দ লূপা লিশিং ২৫ দা হেনগৎপদসু অয়াবা পীখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা দব্লিয়ু.ৱাই তেল্লেট পেকেট ৬০০ তেংনৌপল জিলাদগী ফারে।

**অমসুং**

৩) মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম লিংখৎখিবগী ৫৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লা শরুক য়াগনি।

**------**

**হেলথ (এল)ঃ** থৌবাল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা বি.এস.সি নর্সিং কোলেজ হাংনবগী অয়াবা গভর্ণর ইন কাউন্সিলনা পীখ্রে। রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রগী কম্মিসনর কম সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-গভর্ণর ইন কাউন্সিলনা চুরাচান্দপুর অমদি থৌবাল জিলাদা বি.এস.সি নর্সিং কোলেজ অমমম হাংনবা অয়াবা পীখিবনি। হায়রিবা কোলেজশিং অসি নর্সিং সর্ভিসকী চাউখৎ থৌরাংগীদমক পায়খৎপা সেন্ট্রেল সেক্তর স্কিমগী মখাদা হাংগদবনি। লোয়ননা, সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম অমা ওইরিবা ওগমেন্তিং নর্সিং ইদ্যুকেসন এস্তাব্লিসমেন্ট ওফ নিউ কোলেজেস ওফ নর্সিং কো লোকেতেদ ৱিথ মেদিকেল কোলেজকী মখাদসু অতোপ্পা বি.এস.সি নর্সিং কোলেজ অমা চুরাচান্দপুর জিলাদা লিংখৎলগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-রাজ্য সরকারগী শেন্থং মখাদা জি.এন.এম নর্সিং স্কুল অনিসু থৌবাল অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদা হাংদোক্লগনি। হৌজিক রাজ্য অসিদা জি.এন.এম স্কুল ১৪ লৈবগী মনুংদা সরকারগী ২ খক্তমক ওইরি। স্কুল ১৪ অসিদা সিট কেপাসিতি ৫১৯ ওইরি। অদুবু, চহী খুদিংগী ওইনা মহৈরোই ৮০০ হেন্না জি.এন.এম নর্সিং তমবা দরখাস পীশিল্লক্লি। লোয়ননা, রাজ্য অসিগী ওইনা বি.এস.নর্সিং কোলেজ ১৬ লৈবগী মনংদা সরকারগী অনি খক্তমক ওইরি। মখোয়গী সিট কেপাসিতি অসিসু ৬১০ নি। অদুবু, চহী অমদা বি.এস.সি নর্সিং তমবগীদমক দরখাস থারকপা মহৈরোইগী মশিংদি লিশিং ১,৬০০ হেল্লি। অসিগুম্বা অৱাৎপা কয়া অসি অনৌবা হাংদোরক্কদৌরিবা নর্সিং ইন্সটিট্যুটশিং অসিনা মেনখৎপা ঙল্লগনি।

অমরোমদা, মীফম অদুনা জেনিমসকী এম.বি.বি.এস অমদি বি.দি.এসকী অন্দর গ্রেজ্যএট ইন্তর্ণ তৌরিবা মহৈরোইশিংগী থাগী স্তাইপেন্দ লূপা লিশিং ২৫ দা হেনগৎপদসু অয়াবা পীখ্রে। স্তাইপেন্দ অসি হান্না লূপা লিশিং ১৫,১২০ ওইরম্বনি। মসিদসু নত্তনা জেনিমসকী মল্টি দিসিপ্লিনরি রিসর্চ য়ুনিট শেমগৎনবগীদমক অনৌবা স্তাফ লৌবদসু গভর্ণর ইন কাউন্সিলনা অয়াবা পীখ্রে।

মসি হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা দেভলপমেন্ট ওফ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফোর প্রমোসন ওফ হেলথ রিসর্চ স্কিমগী শেন্থং মখাদা শেমগৎকদবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা দল্লিয়ু.ৱাই তেল্লেট তেংনৌপল জিলাগী সিতাদগী তেংনৌপল ফাওবগী লম্বীদগী ফারে। মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা চথুখিবা ওপরেসনদা হায়রিবা মফম অসিদগী দল্লিয়ু ৱাই তেল্লেট লাক্ষ ১ লিশিং ২০ রোম য়াওবা পেকেট ৬০০ রোম ফংবা ঙমখিবনি। হায়রিবা তেল্লেট অসি কেনবো বাইক অমদা হাপ্তুনা হুন্দোক্লম্বদগী ফাবনি। পোৎলমশিং অসিগা লোয়ননা গারি অসিগা লৌখৎতুনা থল্লবা মতুং হৌজিক গারি অসি কনানা থৌরকপনা হায়বগী মতাংদা থিজিনবগী থবক হৌরে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি-রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি অতৈ আইন কাইবা থবক থৌরম কয়াদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। ঙরাং চথুখিবা ওপরেসনদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী লেফ্টনেন্ট অমা থৌবাল জিলাদগী ফারে। মহাক নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনন‌া কোনবা উখোঙশাং ময়াই লৈকাইদগী ফাখিবনি। মহাক মীয়ামদগী মরুওইনা থৌবাল জিলাদা লৈরিবা সরকারগী কর্মচারিশিংদগী, ক্লব অমদি স্কুলশিংদগী নমদুনা শেল খাহবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গারিশিং সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুশিল্লকপগী থবকসু লেপ্তুনা চথুরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি। ঙরাং নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ৫৪৪ ইম্ফাল তমা

চংলকখ্রে। মখা তাবা গারি চথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্তনবা সেক্যুরিতিগী কনভোইশিং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাইথোক্তুনা লৈরি হায়রি।

**ম্যুজিয়ম (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম লিংখৎখিবগী ৫৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা মণিপুরগী রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিগী শরু ক অমা ওইনা সেভা পর্ভা ২০২৫সু পাঙথোক্কনি।

মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মনা চহী ৫৬ শুরকপগা লোয়ননা ম্যুজিয়ম অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা পোৎলম কয়া উৎপগী এগজিবিসন অমসু পাঙথোক্কনি। এগজিবিসন অসি হিয়াং হিরেল, সনা অমদি ম্যুজিয়ম অসিদা লৈরিবা তাংনা উবা ফংবা পোৎলমশিংদা য়ুমফম ওইরগা পাঙথোক্কদবনি। এগজিবিসন অসি মীয়ামগী য়েংদুনা হয়েং নুংথিল ফাওবা চথগনি।

থৌরম অসিদা 'হিয়াং হিরেল ওফ চুরাচান্দ মহারাজা, অ লিভিং লিগেসি ওফ মণিপুরস হেরিতেজ' হায়বা লাইরিক অমসু ফোঙগনি।

**রিমস(এল)ঃ** ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিং থবক লেপ্পগী খোঙজং হৌখ্রে। রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা হন্দক ইকুই কুইদনা মীশি মীনা থোকখিবা অমদি মদুদা খোইশাওনরবা মীয়ামা ডোক্তর ফু চৈবগী থৌওং চথরকখ্রবা মতুংদা রিমসকী ডোক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং ঙসিসু চংশিল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ও.পি.দি, ইম্মরজেন্সি, রুতিন ও.টি অমদি পি.এম.ই সার্ভিসশিং লেপখিবদগী অনাবশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। এসোসিয়েসন অসিনা ডোক্তর ফুখিবগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী হৌদুনা হয়েং অয়ুক পুং ৬

ফাওবা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনবনি।

অমরোমদা, তিচর্স এন্দ মেদিকেল ওফিসরস এসোসিয়েসননা চংশিল্লকপা থবক লেপ্পগী খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম লৈত্রি। ডোক্তর ফুরম্বা অদুদা চেন্নবা মীওই ফাদুনা চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা খোঙজং হনখিরোই হায়বসিনি।

**অবোনমৈ (এল)ঃ** অথুৱান অবোনমৈ লৈখিদবগী ৪ শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তরুংদা লৈবা অথুৱান অবোনমৈ মেমোরিয়েল পার্কতা পাঙথোকখ্রে। অথুৱান অবোনমৈ মেমোরিয়েল পার্ক কম্মিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জেলিয়াংরোং সিভিল ওর্গনাইজেসন অমদি ইমুং মনুংশিং শরুক য়াখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** মহৌশাদগী লৈজরম্বা চৎনবীশিং নোংম নোংমগী মাংশিল্লকপা অমদি মপাল লমগী চৎনবী কয়া পুশিল্লকপা অসিগী মতাংদা ইনাৎ য়োকখৎ লুপা মমাঙ চহীদা ফমখিবা মীফমা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুবু থবক্তা ওন্থোকবগীদমক ঙরাং নিংথৌখোঙ বজারদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। নিংথৌখোঙ প্রোতেক্সন কম্মিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হান্নগী লৈজরল্লিবা ঐখোয়গী চৎনবীশিং কাইহন্দনবা খুদক্তগী হোৎনবা হায়না অমত্তা ওইনা য়ান্নখি।

**সেভা(এল)ঃ** নেসন ফর্ষ্ট এদরেট 75 কেম্পেনগী মনুং চন্না ভিক্সিট ভারত ভিক্সিট মণিপুরগী থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। সক্ষম অঙ্গনৱাদি অমদি পোসন টু পোইন্ট জেরোগী মখাদা আই.সি.দি.এস প্রোজেক্ট ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোক্দৌরিবা থৌরম অসিদা রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফিয়র বিভাগকী সেক্রেটরি রোবর্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম, বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর অনা অরাম্বম অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি

কম্মিসনর ডা.নিভেদিতা লাইরেনলাকপম শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা, এক পের মা কে নামগী মখাদা উ-চারাশিং থাগনি হায়রি।

**বেঙ্ক ঃ** ভারত সরকার অমসুং এসিয়ান দেভলপমেন্ট বেঙ্ককী মরক্তা অসামগী গুৱাহাতি অমসুং জিলা ৬ কী হেদক্বাতরশিংদা অইং অশাগী খল কাইহন্দনা থমবা অমসুং সহরগী লমদা খুদোংচাবা হেন্না পীনবা পান্দমদা দোলর মিলিয়ন ১২৫ তেংবাং পীনবা য়ান্নখ্রে। প্রোজেক্ট অসিনা অসামগী মীওই লাক্ষ ৩ লিশিং ৬০ হেনবদা মিতর পানবা ৱাতর সপ্লাই অমসুং ৱাতর মেনেজমেন্ট সিস্তেম ফগৎহল্লগনি। মসিদা নত্তনা সহরগী লমদা কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনেল রিফোর্মসকী খুথাংদা লৈঙাক সাসনগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা পান দম থল্লি। শেল থুম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনভেষ্টমেন্টশিংগী মনুংদা বার্বেতা, বোঙ্গাইগাউন, দুব্রি, গোলপারা, গোলাঘাট অমসুং নালবারি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরশিংদা কিলোমিতর ৮০০ শাংবা ঈশিংগী পাইপ লাইন তিংবা অমসুং নোংমদা ঈশিং লিতর মিলিয়ন ৭২ পুথোকপা ঙম্বা ৱাতর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট ৬ শাবা য়াওরি। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপা মতমদা রিয়েল তাইম মোনিতরিং সিস্তেম থমদুনা নিংথিনা থবক পায়খৎনবা য়েংশিনগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মেদিকেল এন্দ নর্সিং ইদ্যুকেসনদা খুমাং চাউশিন্নবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে, বি.এস.সি নর্সিং কোলেজ অনি হাংদোকপা, স্তাইপেন্দ হেনগৎনবগী ৱারেপ য়াওরি হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

রিমসকী ৱাথোক লায়েংবগী থবক লেপ্লগা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে

হায়না বেনর হেদলাইন তৌরে। ডোক্তরদা খূৎ থাবীগনু, ডোক্তরশিংনা মথৌদা হঞ্জিনবীয়ু হায়বা রিমসকী দাইরেক্তগী আপিলসু হেদলাইন তৌরি।

রিমসকী দাইরেক্তর, রিমসকী সোসাইতিগা শমদবগী মমি চাউনা তারে, হেলথ দাইরেক্তোরেটনা এনক্বারি কম্মিতি শেমদুনা মীয়ামা থাজগদবা রিপোর্ট পুথোকপা মথৌ তাই হায়বা ডোক্তর য়াংলেম মোহেনগী ৱাফম- নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- ৱাই.এফ.পি.ঐচ.আরনা রিমসকী ডোক্তর অমদি এদমিনিষ্ট্রেতরশিংগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌননবা দাবী তৌরি হায়না হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং তাইমসতা- সেনিয়র কনসলতেন্ট অমা ফুরম্বগা মরী লৈননা চথুখিবা ডোক্তরশিংগী ইহৌগী মতাংদা ফোঙলি। পাউ অসি- মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- রিমসকী ৱাথোক অসিগী মতাংদা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিমদা থিজিনহন্নবা এম.এল.এ জয়কিসননা রাজ্যপালদা অপিল তৌখিবগী পাউ অহানবা লমাইদা ফোঙলে।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- পোইরৌপাৎ লৌফমগী লৌ পরি লিশিং ১,৮০০ রোম ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে, লৈঙাকা মীৎয়েং চংবীদ্রবদি খোঙজং চংশিল্লগনি

হায়বা পাউ অসি অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**